ৱারী ককনাউ

# পুক্কী লান

তা মঙলেমহোয় পার্টিসি য়াম শাথি। লৈকায়দা মোইগী পার্টিসি য়াম্না কি হঙ্গোইনৈ। তা মঙলেমনে, তা ইঙোনে, মামো চাউবনে অদুগা মখা লৈকায়গী তাচৌ ইবোয়াইনে মোইসি তা মঙলেমগী পার্টিনি। মোইসি লৈকায়সিদা ফত্তবা থবক অমত্তা তৌবা য়াদে। তশেংবদি মোইসি লৈবাক শেমগদবা মী ঙাক্তনি, মরাইবক অমা ইচুম চুমদবদগী লৈকায়গী উকুদা ফম্মগা ৱাথী ঙাঙ লৈরবা মদাও য়াদ্রবা ঙাক্তনি। মোইগী লীদরসে তা মঙলেমনি। তা মঙলেম ৱা ঙাঙবদা রাসি য়াম্না য়াওই। মানা ঙাঙবসে মীনা তানীংই। ফাগিসু হৈ, শাউবসু হৈ, মানা ফাগি তৌরবা পূক্লি তিংখৈ হেক নোকপীনি, অদুগা মানবু শাউরল্লবা মীখৈসি লোইনা কায় কায়দুনা হেক্তা চেন্নবীনি।

শাউদোরকপদা হিংচাবনি, ঈংথরকপদা ঈশিংগুন্বনি তা মঙলেমসি। লাইরিক লাইশু অদুক কা হেন্না হৈবমক নৎত্রসু ময়াম্না তম্নরিবা বি এ ফাওবদি চেক মোক লাওদনা পাস তৌখ্রে। থবক থিদি য়াম্না থি, অদুবু খুৎথিদু লম্বী ওন্নবগীরা কৈনো ফংবদি লৈতে। অঙাং খরা ট্যুসন তৌরগা শেল মচা মচা খরা তাঞ্জরম্মী, অদুবু মমা মপাশিংনা মঙলেম্না তন্বীবদা মচা লাইরিক হৈরোই হায়বগীরা কৈনো তমহনখিদ্রে। অদুনা শুফম নোম্ফম লৈত্রবা তা মঙলেম মাগা মান্নবা খরগা পূল্লগা লৈকায়দা কারন হায়গদ্রা করি হায়দোইনো খঙদে তৌ লৈ।

মোইনগা লৈকায়দা নুংদাংৱাইরমগা সোরোক্তা থোরক্লদি লৈকায়গী লৈশাবী মচা মখৈ অমত্তা মপান থোক্লদে। কোয়রকপা পাখঙ মচাশিংসু অদু মঙায়, লম্বীদা কনামতা মোংলদবীনি। ময়াই কনখ্রজাৎনি তা মঙলেম। মানা হায়সি কোয়গেরা, লাংগেরা তৌজরুচো, অদুবু লৈকায়সিদদি অহল-লমন, মবুং-মৌপ্বা ময়াম অমা লৈরিবনিনা কারন তৌরনু হায়বসিনি। মদুদা য়াদ্রেদনা মায় হৌনবী তৌবীনি। মাই হৌনবী হায়সে, পাখঙ মচাদু কৌশিল্লগা, দিল লেনবা, মদুদা মচিনগা খরা খুন্মগনা খুন্মীবা মচিন্দুদা খুতুম নিংথিনা তাশিল্লগা পোপ লাওনা হেক্তা থোন্বীনি। লৈশাবীশিংসু অদু মঙায়, মানা ঙাঙবদা অমত্তা ফে লাওবা য়াবা নত্তে। অদুনা লোইনা তন্নে। ইশম শম্না হায়রবদা পাখঙ কোয়রক্তবা লৈকায় অমা হায় তারদি ঐখোয় লৈকায়সিনি হায় তাইয়ে।

হন্দক্তি তা মঙলেম হোয়গী পার্টিসি খরা শাওনীংগুম তৌই। ৱা অমত্তা ঈংনা-তপ্না ঙাঙনবা য়াদে। ইশৌ লাংলপ তৌই। মসিগী থোইদোকপা মরমদি অতৈ নত্তে। ঐখোয় লৈকায়সিদা মৌ নহা খরা লৈ, থবক চৎলিবনি হায়দুনা তপ তাখৈ কেশিল্লগা মবুক মবুক্তু থাদোক্লগা চৎপা কাঙবু অমা। মসি মোইগী অশাওবীনি। মৌ নহাশিংদু মবুকশিংদু সাড়ি মতৎ হায়ব্রা, হাফ সাড়ি হায়ব্রা কৈনোদু শেৎলগা মবুক্কী মপাখৈদু লোইনা থাদোকপা, মচা পোকপগী ডোক্তরদা সী এস তৌরুবগী ওপরেসনগী দাগফম মমিদু উফক অমা নপ্পগী মমি তাবদৌনা পরেং শানা তারদনা, য়েংবদা শৌবিং শৌবিং হেক লাওবা অদুগা ফেৎ-ফেৎ চৎপা, লিরি খোইরিবা খরা ৱাৎনা উবা, মশম মনাগসি মচু শংজিনবা। চুম্না মুনবা শংজরোনে য়ারেনে, অদুসু নত্তে, কনাগী মী খ্বাইনা তৌনদবা অঙাংবা, য়েল্লোগা শংবা, চুজাক মশম মানবা য়াম লৈ। মসি নহাশিংনা তৌরদি খরবু পকচৈ, মীয়াই চল্লবী, মচা মমৌগা লৈরবীশিং অসিনবু কন্না লাই য়াওখৎলকইয়ে, মনা পরেংগদু সনা য়ানফম ইরৈ লৈতদৌনা সনানি খঙদে, অরুপ্পা অতাওবনি খঙদে থোক য়ানশিনবা, রাশিদি মমানা পোকপগী খোইরি লিশাং ককপদা লোইনা য়াওখ্রবা কাঙবুশিংদুনা তৌজ শারিদু মীৎ য়াম্না নাবা হায় তারেনে। অদুনা তা মঙলেম হোয় পার্টিদু কৈনোমদি শোয়দনা তৌদৌরি হায়সি মোই মতৌদুদা খন্নে।

নুমিৎতু কাঙলেন নুমিৎ ওইরমাল্লে খল্লি। মোই মৌ কাঙবুদু নুংদাংৱাইরমদুদা লম্বীদা ৱা-ৱা নোক্তুনা লাকই। মচিন্দা জর্দা অমমম পৈ-পৈখৈ উন্মগা ময়া ইহি হিগৎতুনা। তা মঙলেমহোয় পার্টিদু কাঙ চিংবা য়াওরুবগী ফৈজোম অমমমনে, মোজাফুরিৎ অমমমনে হঞ্জরকপনি। মৌশিংদু উরুবদগী মোই মশেন মমিৎ খৎনরগা মশা মশাগী লিৎলিবা মোজাফুরিৎশিংদু থবাক য়ৌখৈ চিংখৎলগা, ঙসাই কাঙগী উসব চারুবগী হুইত্রি হুইত্রিমুক কংলবা মবুকশিংদু ইন্থোক্তুনা মৌ নহাশিংদুগী মমাঙদা চপ চপ হেক লেপ্পী। মৌশিংদু ইঙক-ঙকই। তা মঙলেমনা নোকফেৎ তৌরগা হায়,

"য়েংঙু য়েংঙু ইবেম্মা ঐখোয়গী পুকসে ফজদ্রা, মসিদনি ঐখোয়না মমল তাঙল-তাঙলবা কয়া অমা অয়ূক্কী নুংদাংগী থাদরিসে, সিগী অকংবা পুকশিংসিদনি অরৈবা শেল থাদরগা ফীভমসি তানবা হোৎনজ রিবনি, ফজদ্রা...???"

"কৈনো তৌরিসিবো, ঐখোয়বু উশিৎপীদবগী ৱারা, ঐখোয়সু নুপা লৈরিবা ঙাক্তনি, করিনো তৌরিসে?"

"কৈনো তৌবাইদি হা... ঐখোয়গীসে তৌগে হায়না তৌরিনি। নোইনা নবুক ইকং কংখৈ, রাশিসু ইকং কংখৈ, নবুক থাদোক্তুনা লম্বী সোরোক্তা চৎপদি য়ারগা, নুপা ঐখোয়না পুক অকংবসি উৎপা করি কায়, নোইনা উৎপনা য়াবা নুপানা উৎপনা উশিত্রিরা হায়বা, কৈনো নোই হায়দো?" তা মঙলেমনা মমিৎ-ও মনা-ও শংতোক্তুনা লাও-খোংথরকই।

"হৈমা জাৎ অমনিনে?"

"কৈনো জাৎ অমা হায়দি? নবুক্তু ওপরেসন তৌবগী মমি চবাক-চবাক তাখৈ লেম্মবনিগাইনা তৌজসারিয়ে, অঙাংখৈনা তৌবনা তৌবনি, নোই নোই নুপাদুনা অদুমাই তৌ হায়ব্রা হা, নোই নোই নুপাশিংদু কৌথোরকউ, ৱা হায়নগে, কৈনো নোইনা তৌজসারিসে। হা। ঐখোয়গী খুন্নাইসি মথক মখা ওন্থোকপা অসুক য়াম্না পান্মীসে কৈনো, চৎলো নশকশিংদো য়েংনীংদে" তা ইঙোনা শংলগা হায়রকই।

মৌশিংদু মখা তারমদ্রে, তুমিন-তুমিন মরূ লুকথনদুনা চৎনখ্রে। মতুংদদি মখোয় মবুক থাদোক্লগা অমুক্তা থোরকখিদ্রে। ■

*- নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

## শরৎচন্দ্রগী শ্রীকান্ত (২শুবা)

# লোই থাবা

*(বেঙ্গলগী উপন্যাসকার শরৎচন্দ্র চট্টোপধ্যায়গী বাংলা লোলদা ইবা 'শ্রীকান্ত' পু অরুনা চক্রবর্তি, প্রিন্সিপাল, - জানকি দেবী মেমোরিএল কোলেজ, দিল্লিনা ইংলিসতা হন্দোকপা লাইরিক্তগী ডা. কুনজেশ্বর তেনসুবনা মণিপুরীদা হন্দোকপা)*

**ডা. কুনজেশ্বর তেনসুবা**

*(হান্নগী মখা চথজরকপা...)*

"অমুক হৌরক্লব্রা! অদুগুন্বা হুল্লানবা ৱাঙাঙদু অমুক ঙাঙজ-শারদনা", অসি হায়রগা খুৎলায়না পাল্লবা, অফং-অফংবা চিক্কদবগী মওংদা লৈরবা শওমগী মতৌগুম টগরনা নন্দদা মমীৎ লংথোক্তুনা য়েংলকই।

খুদক্তা নন্দনা লাল্লে হায়জখি অদুগা শুগৎলগা ফমথদুনা জহাজ মনুংগী য়ূমথক্লোমদা মুন্না য়েংদুনা লৈখি। মখোয়না লৈরিবা মফমদুদগী খুদুপ খরা লাপ্লপ্না, খোঙদগী তোন ফাওবা লৈখোম অমসুং অমোৎপনা য়োল্লবা কাবুলিৱালা অনীখক, টগরগী চফুমুক লাওবা মমীত্তুনা মখোয়দা খানা-খানা য়েংলি হায়বা খঙনা-খঙনা চহূম শানা হৌরবা মকোই মরক্তুদা য়ানুংদা তল চখোম অচৌবা কয়া নমশিন্নবা কন্না হোৎনরি।

ঙহাক লৈরবা তুংদা, নন্দ পোথাফম খঙদনা, মথ্বায় নুংঙাইতনা হায়রকই, "ঐখোয়বু চাক-ঈশিংগা হায়বদু অমত্তা চাররোইদ্রা?"

মানা হয়রক্লিবদু করিগীনো হায়বা ঐ মেন তাবা ঙমদে। ঐনা হায়, "কৈনো, নোংঙানবতা ঙাইরিনা। ঙহাক লৈরদি..."

মপি ইরা চেন্না নন্দনা হায়রকই, "ঐখোয়গী রসগোলা চফু অচৌবা অমা য়াওরকপনি। জহাজ হেক তোংখৎলকপদগী হৌনা মদু হাংদোক্লসি হায়না ঐনা টগরদা হায়জদুনা লাক্লিবনি।"

"মদু খরা চাসিনে। ঐখোয়না করিগী চাবা য়ারোইদৌরিনো।" ঐনা হায়রুই।

"অদুবু টগরনা য়ারক্কদ্রা খঙদ্রেনে।"

টগরনা অওইবা ওইনা হায়রকই, "ঐ মদু রেঙ্গুনদা পুনিংঙি।"

"নঙনা য়াদ্রবনিনা রেঙ্গুনদা অমুক পুরো।"

টগরনা পাউখুম অমত্তা পীরক্তে। শাউনা ফী-ফী কাল্লদুনা মাগী তমথীরবা মমীত্তু মরাইবক থীরবা কাবুলিৱালা অনীদুদা কোয়রৈ লৈনা য়েংলক্লে। খঙনীংবা হেঞ্জিল্লক্তুনা ঐনা হায়রুই, "নখোয়গী রসগোলাদ কমদৌখ্রবা?"

নন্দনা টগরদা হায়ফেৎ য়েংলগা হায়রকই, "মদুগী মরম ঐদি খঙদ্রে। ঐনা অয়ূক্তা উবা হায়ববু - অসিদা লৈরিবা অকায়বা চফু অসিনি", মখুদোন্বী থিল্লদুনা মখা তারকই, "মদুগী মহীনা ফমুংদা পূমতৈ তৈরিবসিনি, য়েংবিয়ু। মদুগী মখা তাবা ৱারী খঙবীনীংলবদি আদগী মীফত্তশিংসিদা হংবীয়ু।" অসি হায়রগা মহাক্লা কাবুলিৱালাশিংদুদা মাঙ-তাক্লসনু মতাগুম য়েংলকই।

ঐ নোক্লিংবনদি শিদৌরে অদুবু মদু ফাথরগা ঐনা হায়, "রসগোলাগী ৱাদু কাউথোকখ্রো। আ: অদো নখোয়গী চেঙপাক - কাদি লৈজব্রা?"

নন্দগী মায়থোঙ মকা লাম্লক্লে, অদুগা হায়রকই, "লৈজে। বাবু মহাশয়দা চেঙপাক খরা উৎলদুনা, টগর।"

মবুক ফত্তবগা লোয়ননা ঐ তম্না ময়োম মচা অমখক টগরনা মখোঙনা কাওশিল্লকই।


মিকুপ খরগী মমাঙদা লৈরম্বা মাগী নুংঙাইবা মতৌদু অমুক হঞ্জিল্লক্তুনা নন্দনা হায়রকই, "অদোম্না হায়নীংবা মওং কয়াদা হায়বদি য়াই, কাবুলিৱালাশিংসি অমাংবা অমসুং অমোৎপা ফুরুপ ওইরম্বদি য়াই অদুবু মখোয়সি হায়খিবা ৱা ঙাকপা, মীনম-শোরিদবা মীনি। মখোয়না ঐখোয়গী রসগোলাদু চাথোকখ্রে, অদুবু মদুগী মহুত্তা ঐখোয়গী তল ময়োম অচৌবা অমা ঐখোয়দা পীবিরকখি। মদু তোঙান্না চেকশিন্না থম্মুকো, টগর। নঙগী 'মসলা ভোগ' শেন্বদা মদু খুদোংচাগনি।"

-মথং-মথং

মতম মতমগী ৱাফম

# নোকহন্নবগী রাশি ঃ ফাগিগী স্কুল

তেংবানবদা লৈরিবা থৱায়পানবশিংগী মরক্তা নোকপা ঙন্বা থৱায়পানবসি মীওইবখক্তনি হায়নৈ । য়োংনা খিগৎপদা, কৈনা খিগৎপদা মমায়গী শকফমদা নোকপা মানবা য়াওই। মখোয়গী মরোল খঙদবনা নোকইরা কপ্লিরা ঐখোয়না খঙদে । মিৎতা পি তাবসি ঐখোয় মীওইবনা কপ্লিবনি হায়না লৌই। শামু হায়বা শাসিনা মিৎতগী পি শিন্থবা উরে। শামুদি তশেংনা কপ্লি অদুনা তাইবঙ মীরোল খঙবা শানি হায়না অহল-লমনশিংনা হায়নদুনা লাকই। গুন্ডীর হায়বা শা মখল অসিনা চারমদাইসি মমিৎতা মপি তাই । মসি কপ্লিব্রা ? মীওইবনা হরাউ নুংঙাইবদা পি তাবা য়াওই। মসিসু কপ্পগী মনুং চনগদৌরিব্রা ? মীগী মতৌ তমদুনা ফাগি তৌবা উরগা পূক্লি পায়দুনা নোকপা হেনমনখিবদগী কপ্পা য়াওই। মসিসু কপ্পা হায়গদ্রা ? তাইবঙ মীওইবদা নোকপা অমদি কপ্পা হায়রিবা অনীসি য়াম্না মরুওইনা লৈরকই। ঐখোয়নসু নোকপগা কপ্পগা অনীসি মচিন মনাওনি ফাওবা হায়নরি।



সাহিত্যগী মনুংদা 'রস' হায়বসিগী পাড়া তম্বদা নোকপসি 'হংস রস' হায়না নোকপগীদমক রসতসু মফম অমা পীরল্লি । নাট্য শাস্ত্রনসু নোকপবু লূমনা লৌরিবা অমনি ।

কপ্পগী মফমসিমদি ইৱাৎ ৱাৎত্রে । ইমুং অমদা কপ্পনবগী মফম চহী অমদা অদুম লৈনরবা ঙাক্তনি। কপ্পনবগীদমক অরাংফম ফাওবা লৈনরে হায়বদা লাল্লোই । মীবু নোকহনবগীদি কপ্পগুম্না মফম লৈত্রি । নোকহনবা ঙন্বা হায়বসি অরায়বা সবজেক্ট অমা নত্তে । চাওখৎপা লমদদি নোক্লবগীদমক 'লফিং গ্যাস' শেমদুনা পুথোকখ্রে। অঙনবা মতমদা 'সুগরকোল' হায়বা কাওবোই ফিল্ম অমা য়েংখি। মদুদা হোটেল বার অমদা লফিং গ্যাস শীজিন্নদুনা মীবু নোকহনখিবা উখি। লফিং গ্যাস অসি গঞ্জাদগী শেন্বা ওইগদ্রা অদুমদি খঙদে। লফিং গ্যাসকী ফোর্মুলাদি-$N_2O$ অসিনি Nitrous Oxide (laughing gas) হায়বনি হায়না কুমশীং ১৯৭৮ অদুৱাইদা কলেজ তম্লিঙৈদা কেমেষ্ট্রিগী ওঝা নেত্রোনা তাকপীরম্বনি। লফিং গ্যাস (laughing gas) অসিদি মেডিকেলগী মরুওইনা য়াগী ডাক্তরশিংনা অনাবা খাঙনবা হিদাক থাবদা শীজিন্নবনি ।

চাওখৎপা মীরমদনা গ্যাস ওইনা নোক্লনবা হিদাক পুথোকপনি ঐখোয় মনিপুরসু মখোয়দগী তাদে। হকচাংদা শোক্তনবা মনা মশিংদগী হিদাক শেন্বগুম নোক্লনবা মহৌশাগী পান্থে পুথোল্লকই। মসি থাগৎফম থোকই। ডাক্তরনা ইরকপা হিদাকশিং অসি সাইদ ইফেক্ট লৈ হায়নরে । চুম্বসু চুম্মাল্লে হৌজিক মতমগী ডাক্তরসু হিদাক ইরকপদা মনা মশিংদগী শেন্বা হোমিওগী হিদাক য়াম্না ইনরবনি। 'নোকফদে' হায়বা নোক্লনবগী পোরম শীনবা, নোক্লনবা ৱা, হার্বেল মেদিসিনগুন্বা পুথোকপা কাঙলুপ অমা থৌদাম রুহিনিকুমারনা শেমখি। কুইরে শেমখিবা চহী ২৫ হন্দক ফারল্লে । মতম অমদি সিধি য়াম্না পানখিবা মীবু নোকহনবা ঙমখিবা লোয়শঙ অমনি। মীবু নোকহনবা, ফাগি তৌবা তম্নবগী তম্ফম মহৈশঙ (স্কুল) লৈব্রা? মীওইবসি নোক্তবা য়াদব্রা ? হৌজিক্কী ইংরাজি স্কুলদা তম্লকপা, বোর্ডিংদা লৈরকপা কনাগুন্বা মহৈরোয় অমদি ইরায় লায়না দং লাওনগা হায়রকপা য়াই।

মীবু নোকহনবা ঙন্বা হায়বসি তোপ তোপ্পা পোকপদা লোয়নজরল্লবা মতীক ময়াই অমনি। থাজদনা ওওা মরক্তা মহৈরোয়শিংনা নুংঙাইবা ফাগি চেনবা ওজা রামলাল পোল হায় স্কুলদা তম্লিঙৈদা থেংনরকখি । ওজা নিলকমল, ওজা নাগেশোর, ওজা থানিল ঙসিফাওবা ওজাশিংবু নীংশিংঙি। ফাগিগা কোন্ননা তাকখিবা পাড়া ঙসিসু কাউবা ঙমদ্রি। ওজাদি ফাগি পুগদবনি হায়না ঐনা ঙল্লিঙৈদা খনজখিবসু লৈখি। জিসি তোংব্রাগী মহৈরোয় ওইখিবা মীওইশিংনা ওজা জিসি তোংব্রা হায়না ঙসিসু শোন্নরি। মথংদা ওজা এলাংবম দিনমণি হায়না মীয়াম্না মিং পন্নবীরিবসি মরমশিং অসি লৈবনা ওইগনি।

মণিপুরদা ফাগিগী মওং অসি নাট্য শাস্ত্রগী, সেক্সপিয়ারগী, জি বি শোগী, এরিষ্টোটলগী নৎত্রগা হেনরি ইবসেনগী অমা অমগী ৱা লাম্লবা থোইদোক্তে । ঐনা উজবদা মখল অহুমখক থেংনজৈ। মশক উরগা নোক্লিংবা মী, মশক উদনা মখোল তাবদা নোক্লিংবা মীশক, মশকসু মখোলসু অনীমক্তা নোক্লিংবা ফাগি পুবা মীওই অসিনি। পূম্নমক অরায়বা অমদি ওইরোই। ফাগিদি শেন্বা য়াদে কুইনা চৎতে । তোংব্রানা হায়খিবা ৱাফম ৱারেং ওইনা ইখিবা অমা থেংনখি-'লৈরম্মী অদুঙৈ নোকৱা শান্নবা অমা' । নোকৱা শান্নবা মী হৌজিক ঐখোয়গী লমদম মণিপুরগী চীং অমদি তম্পাক্কী মফমশিংদা লৈরিব্রা হায়না উপ্পা তাবা উনা লোংনা, লোংনা তাবা উনা উপ্পা হাইদোক্লগা থিবা তারি । থৌদাম রুহিনিকুমারনা য়ূম কূপ্পা ই তুমনৌ থিবগুম থিখি । খরদি ফংখিমালে । থায়নগী ইপা ইপুগী ই অশেংবদুদি ফংবা ৱাখি ।

নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মতমদা কোনুং মনুংদা ফাগি হৈবা ওজাশিংনা ফাগি তৌখিবদগী ঐখোয়গী লীলা ড্রামা হৌরকখি হায়না ওজাশিংনা তাকপীরি। ফাগি হায়বসিদি নিংথৌদগী মীচম অমা ফাওবা পান্মী । নিংথৌনা ফাগি য়েংনিংঙি হায়দুনা মীগী শুন্মাংদা চৎলগা য়েংলুবদি য়াদবনিনা কোনুংদা ফাগী হৈবা কৌরগা শান্নহনখিবা ওইগনি। ৱারীসু লৈরমগনি । থৌদাম রুহিনিকুমারনা শেমখিবা ফাগি পুথোক্লবা লোয়শঙ অসি 'নোকফদে' হায়না থোল্লি। দে.. সে.. না লোন্বসি অঙনবা মতমগী ঈশৈদা, শৈরেংদা চৎনরকই। "চীংদা শাৎপী ইঙেল্লে, চিন্নদনা কেনখিবা কল্লকই-দে..। ঐনা কেনগে কেন্দেদো মালংবনা হুন্বগী কেনবনিদে..।" মৈতৈগী ইপা ইপুনা হায়নবা ৱাহৈ অমা- 'অরানবা থবক, মীগী মাঙনবা তৌফদে..ওইদবা ঙাঙফদে, ফত্তবা সঙ্গ তৌফদে' অসিনচিংবা । নোকফদেগী অরোয়বদা লোল্লিবা ৱাহৈ 'দে' অসিসু অদুগুন্বদগী লৌব্রা? নোকফদেগী ৱাহন্থোকসি নোকপা য়াদে হায়রিব্রা নৎত্রগা নোক্তবা য়াদে হায়রিব্রা ? অমরোমদা অমুক ইনোক্তি নোক্লিংদবা নমদুনা নোক্লবা শিনব্রা? মখল খরদা হায়রগা য়েংবা য়াই । নোক্লবা তৌজবনি নোক্তনবা তৌবদি ওইরমলোই। নোকফদে হায়বসি তরায়না থোনখিবা অদুগা নমফুদা নোক্লবা শিনবসু ওইরোই । মাঙলমচৎকী ফাগি হৈবা অহল লমনশিংগী মার খোঙ্গুল লীরগা মদুগী মফম অমা থমহৌনবা পান্দম অমগী মখাদা হাংখিবা লোয়শঙ ওইগনি।

লমদমসিগী মীয়াম্না হায়নবা ৱাহৈ 'রাশি' হায়বা অমা লৈরি । পোকপা কুঠিগী রাশি নত্তবা পকচবা হায়বা রাশিদুনি। রাশিসু ৱাহন্থোক য়ামখ্রে, ফজবদসু শীজিন্নে । রশি লৈ হায়রগদি নুংশিবা মচেৎ য়াওবা ফজববু খঙনৈ । অতোপ্পা রাশি অমনা তৌথোল্লকপদা পকচবা অদুদসু হায়নৈ । নোকফদেদা রাশি অনীমক্কী মফম লৈ । ঙসি ঐখোয়গী মরক্তা শম্নদবা অমা লৈরিবা উনা উনা মাঙখ্রিবা পোৎশকসি 'রাশি' হায়বসিনি । রাশিদি শমব্রু অমা মফম চাবা য়েংলগা হেক্তা নমশিনবগুম নমশিনবা য়াদবা পোৎনি। শক শেম্নবা, ফজহন্নবা ব্যুটি পাল্লর ফনা লৈরগসু, রাশিদি হাপ্পা ঙল্লোই । ফাগিদা রাশি লৈবা অহল লমনশিং মাঙলমচৎতা লৈরমখি । মখোয়দি ওন্থোক্লা পকচখ্রে। হঙ্গামপাল, হিগোক, অঙাংবা অশংবা মচু খুদিংমক থোল্লিমখৈ চানৈ। হায়দোল্লকপা ৱাঙাঙ শংঙাঙ, মীৎয়েং নায়েং খুদিংমক্তা পকচখি । ইরুজদ্রবসু মশা নানবা হায়বসি মখোয়গী মফমদা উখি মসি করিননো ? ওইনাম বাবুনা 'খোরিফাবা' শুন্মাং লীলাদা মাগী হূই শিবগী 'হা হূই..' হায়না তেংথাবদা মীয়াম্না পুক্লি তৎখৈ নোকখি। তখেল্লম্বম মনিকচান্দনা 'পান্থোইবী শাইয়োল' শুন্মাং লীলাদা হায়খি- 'চৌকিদারা ঐনা অসুক ৱানা কপ্লিসিবু পি তাব্রানে?' মখোয়না হায়খিবা ৱাহৈ পরেং সিদা নোক্লিংঙাই থোইনা লৈতে অদুবু অয়েংবশিংনা ৱাম্থখৈ নোকখি। ফাগি হৈবা অহল-লমন য়াম্না লৈখি। মখোয় অমমমগী কাউঙমদ্রবা নোকখিবা ৱাহৈ পরেংশিং- হৈবী অমুনবা পয়ানা পরেং লেংবগুম লেংলগা থমখিবা কয়া লৈখি ।

ফাগিগী তম্ফম লৈতে । ফাগিদি ফাগি য়াদে, ফাগিসু নৎতে । ৱর্ল্ড হেল্ট ওর্গেনাইজেসন্না নোকপা হায়বসি পূন্সিদা কান্নরবা হিদাক অমনি হায়রক্লি । নোক্লবা মরম থিবদা নোকপা য়াদবসি অৱাবা অমনি। নোক্কন্দবা মীগী মফমদদি অমুকসু লুরিবনি। তূন্বা য়াদবগা, নোকউ য়াদবগা অনীসি কনানা হেন্না মাঙজবগে হংলকপদা পাখুমসি লৈরোই। ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালনা ঙল্লিঙৈ কুমশীং ১৯৭০গী পরিংদা নোক্লনবগী থৌরম অমা অখন্ননা 'ঈপোম' হায়না পুথোকপীখি । মদু য়াম্না মরু ওইবা মমাংদসু থোকখিদবা মতুংদসু অদুগুন্বা অমা পুথোকলক্লবগী ৱাখল্লোন থোকখিদ্রবা থৌরম্নি। কাংখুল অদু ফুনখিবদগী মখা তারকপদা হুনবা ফাগিগী মরুশিংদি ইহাম হামলকখি। অচঙবা মরূ খরা য়াওরকপা অদুনা মপূং ফাবা লৌফম শেন্বা ঙমলকখিদে । অথেঙবদা ফাগিগী মীওই মীশক খরা 'নোকফদে' লোয়শঙনা পুথোকপীরকই। মমল য়াম্মী । ঐখোয়গী শুন্মাং লীলাদা ফাগী য়াওরকত্রে। শুন্মাং লীলাদি ফাগিনা য়ুন্ফম ওইরগা শান্নবনি। অথেঙবদা, নহা ওইনা চাকথেকপী লীলা কাঙবুগী ফাগি পুবা অচংবা উরেপ ধন্নবীর লৈরমখি । সনা লৈবাক নাচোমগী শৌগ্রাকপম হেমন্তা হিংহৌরি । মখোয়গুন্বা তাঙনা থোকই। 'শাবী শানৌ এক্সপ্রেস' শুন্মাং লীলাদা ধন্নবীরনা তৌখিবা ফাগি ৱাহৈ অমা 'অনাবসি মখা চৎথনিংঙি..' লাইগী মচাদা লীলাদা হায়খিবা 'নঙ ভাব তাও ঐ জ্ঞান তাদে..' ঙসি ফাওবা মীয়াম্না নীংশিং নীংশিং নোক্লরিবা শোন্নরিবা ডাইলোগনি। কমেদিয়ান নৎত্রগসু ফাগি পুবা ডাইলোগ ঙাঙবদা পকচবা কৈরাও রাজেন হিংলি হায়বতা ঙাইরে, শুন্মাংদা,লীলা শঙলেন্দা উরক্কদবা মান্দ্রে । 'সি আ..ধপতি..।'

অসুম্না মমিং লৈরম্বা অমমম্না ফাগি পুরম্বদগী লাপথোল্লকখি। নোকপগী খোঞ্জেল তাখিদবা কুইরে। ঐখোয় নোক্তবা কুইরে। ঐখোয় লোয়নমক ইফুন ফুনগৎনৈ । অমগা অমগা উন্নবদা শুগৎনরে । খুৎশেমগী নোক্লবা $N_2O$ ( Nitrous Oxide, laughing gas) শীজিন্নরকত্রিঙৈদা নোক্লবা পান্থে থিবনা চুমগনি। নোকফদে নত্তনা অতৈ নোক্লবা মফম লৈত্রে । কৌরগা অমুক্তং অখন্নবা ফাগি লীলা মচা অমা য়েংবনা চুমগদ্রা ? ■

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

# নুংথিল চোইরোল

অহিংনা নীংঙাইদনা তূম্লি। নুমিৎ চূপ্পমা শূরু-নোম্লুরগা। মঙগা মঙলমগদবা মান্দবা। মীৎ উইশিন্দুনা তূন্বা থেল্লিবা, য়াদদুনা ঙাওন-শাওন খাঙলিবা ঐগা শম্না মফৈ অমতা শম্নদনা।

ফক্লাং ঘড়ীনা তেক তেক চৎলি। লেপ্পা লৈতনা চোকথবা নাইদনা। মখোল য়াকনা তেক তেক। খঙলুদে ঐ ফক্লাং ঘড়ীনা মখোল অসুক হৌই হায়বসি। তূম্ফম কাগী ফক্লাংদা খোন্থাং য়ৈরি - মখোল থোক্লা য়াতারিবী ঐগী নুপীগী নুংশা শ্বরগা ফক্লাং ঘড়ীগী খোঙথাংগা। নাকোং শীংজামক্তি য়ৈদে য়েনিংথাগী অঙাওবা নোংহৌসু লেপখ্রবসিদা ।

কোলেজ তম্লিঙৈদা ঐনা খোয়দাজখিবীদো মঙলানগা খাইনরবা অহিংসিগা অমহানি। ঐনা খোয়দাজৈ খঙখিবদুনা লোইরে। অদুগা মমায় ঈথক হৌনা মোমোন্নরগা। মীৎয়েং অমতা কারল চল্লকখিদে। সিনি ঐগী নুংশি ৱারী। ঐগী নুংশি ৱারী অতূন্বা অহিংগী ৱারীনি। মরুপ-মপাং লৈজদ্রবা হারৌফাও ঈশৈ শক্ত্রবা অহিংগী ৱারীনি। নোংঙাল্লকপদা লৈরম্মী অতোপ্পা অহিং অমা। অহিং অমগী মতুংদা অহিং অমা। অমন্বরোমদা তোঙান-তোঙান চৎনখি থম্মোয় কিশি কিনদনা। নুপা নুপী ওইনদনা। অসুম তৌবসি হৌনমাল্লে খন্দুনা। অয়ূকপু তরাম তরাম ওক্তুনা। ঘড়ীগী কাতাগুম তেক তেক চত্তুনা। থা থোক্ত্রবসু থাবল থোকই। উরিরৈ অমা লৈখিদ্রসু ঐগী, নুংশিবা খঙদবা তীলনি হায়না শক্তাকচবা লানগনি। পুন্সবু মীনম্বা শক্কনি। থোঙনাওদৈ উবদা অমঙবা লৈচিল চবুল চবুল শরা-শন্না পাইরি অতিয়া মকোয়দা। উনা পূংলবা উপালনি। তাখিদৌরবা থাজ মমি শামি শাৎতোরকই। লৈনারক্তে অপোন্বা লৈরাংগুম। থনুং য়ৌনা নীংথিজৈ। তূন্বা য়াদ্রবা অহিংসি থিবমক্তি নৎত্রসু অয়ূক্কুম ফজবদি নত্তে। পুন্সিসিনা মরক মরক্তা মফি কোন্বসিনা। ওক্তবীগুম রাশিদি ওখাক য়াওদবসিনা।

ঐগী লাইরিক লাইশু হৈতবগী কৈদাসি মপান হেক হেক থোরকই। ঙসাই ওফিসতা মীনা পূক্লিং নাগদবা ৱাদু শৎ হেক্তা হায়রুই। চুম্নসুম হায়রগা য়ারদুবু। ঐগী মীমাং পোমাং নাইদবসিনা। ঙাইহাক লৈরগবুদি নুংঙাইরক্তে। ইকায়রকই। চোপহৌরে ঐসু মায়থীহৌরে। থীনা ঙাঙলুরসু মোমোন নোক্তুনা কৈমত্তা শাওদনা চৎখ্রবনিনা। মনাকোং অনীমক মেনশিল্লবা য়োংগুম। তাখিদৌরবা থাজসিদি অয়ূক্লা য়োৎখিনি হায়বগীসু নুংনাংদবা মাল্লি। ঈংনা লৈ। ভদ্রলোক্কুম্না মোমোন নোক্তুনা।

অহিংসি ফনা চিক্লম্বনি। হৌজিক্তি খোন্থাংনা থল্লে। নিশা হাইগৎলক্লে। কৈদৌই হায়বগে অহিং অমা তূমদনা লেনববু। ফনা য়াম্নসু লেনখ্রবনি। তূন্বা য়াদনা নোংঙানবা ঙাইদুনা। লাক্লরোইদবা চহী য়াঙ্খ্রেমুকসিদা। ঘড়ী কতাগুম তেক তেক চত্তুনা। কৈদৌননি অয়ূকপু খূৎলাম তোয়না কৌরুদুনা। নোং মরাইনা ঙাঞ্জরক্কনি। মনুং মতম চারগা লৈনা ফুগায়না মরাইনা শাৎচনি। অপোন্ববু শাৎকাইহল্লগা মালংপানসি লৈনম্না হাগদ্রা? শিবা হয়সি লাপখ্রবা, য়াম্না লাপখ্রবা, লাপমনখিদুনা মশক মচু খঙদবা পোৎশকনি। শিনম নম্না হিংনিংঙাই ওইব্রা-ওইদেদো। শিববু নক্লা কৌশিন্দুনা। হিংববু অনম-অহা চুহন্দুনা। থাবল্লেগী লৈনমদি লাপ্পা নম্লগা ময়েক শেংবনি। অহিংবদি অতূন্বনি। নোংঙানদ্রিফাও মীৎকপ থোকখিরোই। শিবৈ মঙফাও মঙখিরোই। নাকোং নিং নিং লাওজরসু। শিখিরোই শিখিরোই। শুন্বল য়াংকোক মপাল শাদ্রি। ললাম্লুং কৈথেল কাদ্রি। ৱান্দোংখোইবী শিংজু চাদ্রি। কালেন লৈতঙ্গাই মরক্তা চেঙ থোইদিং মীপোৎ অমা হৈদোকপা খুনু মতৈ মনাওনা খূনবা লোইদ্রি। শিখিরোই শিখিরোই।

*-কাংজম রাধাকুমার*

*(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক 'মীৎকুপ অমতং' দগী লৌখৎচবা)*

# নোংমতং পুং য়াওদনা লৈসি

হৌখিবা নাকেন্থাদা ঐসি ওন্থোকপা হায়দুনি চহী কয়াদগী তৌরক্ত্রবা থবক অমা তৌখরে। য়ূমদা কাউদুনা পুং হুন্দোক্লন্বদগী নোংমা চূপ্পা পুং য়াওদনা লেনবা অমা তৌখরে। মতম য়েং-য়েংদুনা থবক তৌবা, মথংগী থবক্কী থৌরাং তৌবা পূম্নমক তোক্তুনা নুমিৎ অদুমদি থোকউ থোকউবা মওংদা থবক চথবা তারম্মী, মকা লাম্না অফা-অপূন লৈতনা হিংখি। নুমিৎতুদা মী ওইনা হিংঙে, থবক তৌবা মী ওইনা হিংদ্রে।

ঙন্তানা হৌগৎতুনা উকোনলোমদা খোঙনা শাংনা চৎথোকউরে। ঐনা য়াম্না হৈনজবা, পামজবা থবকনি। চৎপা মতমদসু ঐনা পাম্না পাজবা হেনরি দেবিদ থোরিওগী *ৱাখলদন* হায়বা লাইরিক্তু পুরগা চৎলি। নুংঙাইদৌবা মফম অমা খল্লগা ফমথদুনা পাবা হৌখি। থবক পূম্নমক অমুক্তদা মফম মফমদা চপ চপ চানা পোপ পোপ তাবগুম ঐঙোন্দা ফাওই। থৌওইনা খল্লুদনা লাইরিক্কী চেনাদু অসুম হাইগৎপদা মখাগী ৱারেং কাতুপ অসি থেংনরুরে :

ঐ উমংলোমদা চৎথোল্লুই। মরমদি পুন্সিগী তঙাইফদবা মচাকশিং অদু থেংনজগে হায়বগীনি, মখোয়দগী তমহৌবা য়াবা তমশিনহৌবনি, শিবগী পুংজা য়ৌরবদা তমহৌদ্রে হায়বদু থোক্তনবনি। পুন্সি নত্তবা মওং অমত্তা ঐদি হিংবা পামজদে, হিংবা অসি অসুক নুংশিজৈ, মায় লৈদুনা চেনবা পামজদে, তঙাইফদবমক লৈত্রবদি পুন্সিগী মরেপ ফংনা হিংজবা, মনুংগী মতোং য়ৌনা চুপচবা পান্মী, পাঙ্গল ফুদোকপা, চঙদবা য়াদবখক নত্তনা খ্বাইদগী চন্বা মওংদা হিংজগে, পুন্সি নত্তবা মওং অমত্তদা হিংবা পামজদে...

মতিক চাউবা মীওই অসিগী ৱাহৈশিং অসি পারগা ৱাখল মুন্না তৌই অমদি অকোয়বগী মহৌশাগী খূৎশেমগী ফজবা অদু মহাও লৌখি। মতুং তারকপা মতমদনা লাইরিক য়োনবা দুকান অমদা ইচাশিং পুদুনা চৎলি, *টৌই ষ্টোরি* য়েংমিন্নে, ইমুংগা পূন্না মাঙ্গোল মচাদা মতম লেনমিন্নে, ঐনা পামজবা ম্যুজিক তাদুনা লেনখি। পৈশা চঙবা অমতা য়াওদে। অরুবা অমতা য়াওদে। নুংঙাইবা, হরাও তয়ান্বা ঙাক্তনি।

**(বি এস রাজকুমারনা মীতৈলোন্দা হন্দোকপা রোবিন শর্মাগী লাইরিক *'নহাক্লা শিরগা কনানা কপহৌগনি?'* হায়বদুদগী লৌখৎচবা)**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।